
## কমদৌনা ওইরকখিবগে ? মায় পাকখ্রবা মীওইশিং... - ষ্টিভ জোবস -



এপ্পল কম্প্যুটরগী কো-ফাউন্দর ষ্টিভ জোবস কুমজা ১৯৫৫ গী ফেব্রুৱারী ২৪ দা সান ফ্রান্সিস্কো কালিফোর্নিয়াদা পোকখি। মহাকপু পোক্লিবা মমা-মপানা মহাকপু মীঙোন্দা য়োকহন্নবা শীন্নথোকখি। মহাক পোল অমসুং ক্লাৰা জোবসনা য়োকখি। পোল মেছিনিষ্ট অমনি অমসুং ক্লাৰানা একাউন্টেন্টনি। ষ্টিভনা চহী মঙা শুরকপদা মখোয়গী ইমুং মাউন্টেন ভিয়ু, কালিফোর্নিাদা হোংখি। মহাক মফমদুদা স্কুল কাখি অমসুং চাউরকখি। ষ্টিভনা খ্বাইধগী পামজবা হোবিশিংগী মনুংদা অমদি মপাগা লোয়নননা গেরেজদা ইলেক্ট্রোনিক্সকী পোৎশকশিংদা শান্নবা অসিনি। মখোয়না করিগুম্বা ইলেক্ট্রোনিক্সকী পোৎশকশিং শিদোক্লগা পানশিনখি। ষ্টিভ হৈ-শিংবা, ৱাখল লৈবা মহৈরোয় অমা ওইখি। তৌইগুম্বসুং মহাক স্কুল কানিংলক্তবগী ৱাখলসু চেল্লকখি। মীঙোন্দা ফাগি-জুগাই তৌদুনা লক্লবা, শান্নবা অসিসু মহাক্কী হৈনবী ওইখি। মশাগী চহী ১৩ শুরকপদা মহাক ষ্টিভ ৱাজনিক কৌবা চহী ১৮ শুরবা নহা অমগা থেংনখি। ৱাজনিকসু ইলেক্ট্রোনিক্সতা থৱায় য়াওখি। মখোয়নি লুনা তান্নরকখি।

হায় স্কুল লোইরবা মতুংদা ষ্টিভ জোবস ওরেগনদা লৈবা ৱীদ কোলেজদা কাখি। অদুনা মহাক ক্লাস য়াওবা তল্লকখি। কোলেজ চৎপা লেপ্তুনা ভিদিও গেম মেকর অতারিদা থবক তৌবা হৌখি। মতাং অসিদা জোবস ফিলোসোফিদা হেন্না হেন্না থৱায় য়াওবা হৌরকখি। মহাক্লা থবক তোক্লগা স্পিরিচ্যুএল মঙাল ফংনবগী ৱাখল অমগা লোয়নননা ইন্দিয়াদা খোঙচৎ অমা চৎখি। মহাক ইন্দিয়াদা থা তরুক চুপ্পা কোয়খি অমসুং জেন বুধিজমগী লাইনিং লম্বীদা ষ্টদি তৌখি। কালিফোর্নিয়াদা হল্লক্লবা মতমদা মহাক অতারিদা অমুক হন্না থবক তৌখি।

জোবসনা অমুক হন্না ৱাজনিক্কা লোয়নখি। মখোয়নি কম্প্যুটরদা য়াম্না থৱায় য়াওরম্মী। ৱাজনিকনা মশাগী কম্প্যুটর অমা পাম্লমকি। ইলেক্ট্রোনিক্সতা য়াম্না থৱায় য়াওবা অমসুং মখুৎ-মশা হৈবা অমা ওইনা মদুদা জোবসনা পেনবগা লোয়নননা ৱাজনিকপু থাগৎখি। মহাক্লা মখোয়গী ওইবা কম্পেনি অমা লিংখৎতুনা কম্প্যুটর শারগা য়োনবগী ৱাফম হৌদোকখি। মহাক্কী ৱাফম অসিদা ৱাজনিকনসু য়াখি।

কুমজা ১৯৭৬ তা মখোয়না এপ্পল কম্প্যুটর হায়বা কম্পেনি অসি লিংখৎখি অমসুং মখোয়না অহানবা পুথোকপা কম্প্যুটর অদু এপ্পল ১ হায়না মমিং থোনখি। জোবসকী গেরেজদা মখোয়না কম্প্যুটরশিং শাবা হৌখি। মতমদুদা জোবস চহী ২১ শুবদা ঙাইখি। ৱাজনিকনা এপ্পল ১ গী মতুংদা মথংগী ভজন এপ্পল ২ পুথোক্লবা হোৎনবা হৌখি। মহাক্লা মসিগী আইদিয়া অসি ইনভেষ্টর খরদা খঙহন্দুনা মখোয়গী কম্পেনি অদু শেল থাদহনখি। কম্পেনি অদু য়াম্না থুনা চাউখৎলকখি। মরক অমদা আই বি এমনা দিজাইন তৌবা পি সীনা এপ্পলদা প্রেসর চাওনা পীবা লৈখি। এপ্পল কম্প্যুটরশিং য়োনবগী চাং হন্থরকখি। কম্পেনি মরাই চাইথরকপগী থৌদাং ৱাজনু এপ্পলদগী রিজাইন তৌখি। মতুংদা মহাক্লা নেএক্সটি কম্প্যুটর কৌবা অনৌবা কম্পেনি অমা লিংখৎখি। মমৈথংদা কম্পেনি অসি এপ্পলগা অমুক পুনশিন্নখি। ষ্টিভ জোবস কুমজা ২০১১ গী ওক্টোবর ৫ দা পেনক্রিএটিভ কেন্সরনা মরম ওইদুনা শিখি।

## ব্যুটি : য়া লংনা ফজরবদি নোকপগী মগুনসু হেনগৎকনি



ফজবা মায়থোং, ফজবা মীনোক মীপুম খুদিংমক্লা য়েংবা পামবা ঙাক্তনি অদুবু নোকপা মতমদা য়া ফজদ্রবদি অমদি য়াগী মচু হঙ্গাম মপাল মচু অমদি মুশিন্না লৈবা উরবদি ফজবশিং মপুং মাংহল্লি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। অদুবু য়া ফজনা লংনা থম্নবা হোৎনবদা য়ূমদা লায়না ফংবা পোৎশক খরনা ইরাই লায়না ফজহনবা ঙমগনি। য়াগী মচু ফজরক্তবগী মরম কয়া অমা লৈ। ক্বা চাবা, চরুপ থকপা অমদি তোয়না য়া ফজনা শেংদবনা য়াগী মচু থীরকপগী চাউরবা মরম অমা ওইরি। য়া ফজনা লংনা থমগে হায়রবদি য়ামদ্রবদা চেকশিন থৌরাং খরদি লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ। অতাংবা মখলগী য়া শেংনবা হিদাক অমদি মখল মখা কয়াগী তোঙান-তোঙানবা মখলগী বিয়ুটি টিপশিং শীজিন্নদ্রবসু য়ূমদা য়াম্না লায়না ফংবা পোৎশক্লা য়া লংনা ফজনা লৈহনবা ঙমগনি।

হঙ্গাম থাউ :হঙ্গাম থাউ চাবা হকচাংগী ওইনসু য়াম্না ফৈ। লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা হঙ্গাম থাউ চান-থক্লবা পোৎলমশিং থোং-থাকপদা শীজিন্নে। হঙ্গাম থাউ চাবনা শরুবু মপাঙ্গল কনখৎহনবত্তা নত্তনা শরুগী লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপসু ঙম্মী। হঙ্গাম থাউ চাবনা হকচাংদা কান্নবা পীবত্তা নত্তনা য়া ফজহন্নবা হোৎনবদা হঙ্গাম থাউসু য়াম্না কান্নবা পোৎশক অমসু ওইরি। তুপ্লমদাই মতমদা হঙ্গাম থাউ চিন্দা উমদুনা লৈগী মতেংনা য়াশিংদা মিনিট ৫মুক তক্লবদি কান্নবা ওইগনি। লোয়নননা মিনিট ৫ গী মতুংদা চিন তেংথোক্তুনা তুম্বা য়াই। মতৌ অসিগুম্না চাউরাক্লা চয়োল অমরোম তৌরবদি য়াম্না কন্নবা ওইগনি।

লফোই শীজিন্নবসু কান্নগনি :লফোই চাবা হকচাং ফৈ হায়বসি পূম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি লোয়না-লোয়নননা য়া মশা ফনা অমদি য়া শেংদোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং অমসু ওইবা য়াই। করিগুম্বা অদোম্না লফোইগী পিল শেমদুনা শীজিন্নরবদি য়াগী মচু থীরম্বা অদু য়াম্না লায়না কোকপা ঙমগনি। লফোইগী পিল অদু য়াদা মিনিট ২ রোম থল্লবা তুং লফোই অদু চাবদা করিসু অকায়বা লৈতে। ঙাইহাক লৈরবা তুং ঈশিংনা চিন তেংথোক্তুনা মতম খরা অদুম্না তৌরবদি য়া মপাঙ্গল কন্না অমদি য়া মচু ফজনা থম্বদা চাউরবা মতেং ওইগনি। লফোইদা পোটাসিয়ম, মেগ্নেসিয়ম অমসুং মেগ্নিজগী চাং য়াম্না ৱাংনা য়াওবনা য়াবু লংনা থম্নবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং অমা ওইহল্লি।

বেকিং সোদা : বেকিং সোদা অয়াম্বা মতমদা মীয়াম্না চাবা থকপদা শীজিন্নে। অদুবু বেকিং সোদা অসি লুবা-নানবা অমদি ফজবা শক্তম পুরকপদা শীজিন্নবসু য়াই। বেকিং সোদানা য়াগী মচু ফজহনবা ঙম্মী। বেকিং সোদা অদোম্না শীজিন্নবির য়া শেংনবা টুট পেষ্ট অদুদা য়ানশিন্দুনা ব্রশ তৌরবদি অদোমগী য়াগী মচু থীনা লৈরিবা অদু য়াম্না লায়না কোকহনবা ঙমগনি। অসুম্না য়ূমদা য়াম্না লায়না ফংবা পোৎলমশিংনা য়াবু মপাঙ্গল কলহনবত্তা নত্তনা য়াগী মচু ফজনা থম্বদা য়াম্না অচৌবা মতেং ওইগনি।










Title: Pigeon
By: Asiniya
Class: V Sec: A Roll No. 17
School: Standard Robarth Higher Sec. School



Title: A House
By: Th. Bidyaluxmi Devi
Class: IV Sec: C Roll No. 44
School: Standard Robarth Higher Sec. School



Title: Building
By: Kathryn Ningombam
Class: K.G Sec: Crystal Roll No. 24
School: Heritage Convent




Title: Scenery
By: Peiyai kamu
Class: III Sec: A Roll No. 31
School: Standard Robarth Higher Sec. School




Title: Pokemo
By: Sanabam Bikash Singh
Class: V Sec: D Roll No. 10
School: Standard Robarth Higher Sec. School




Title: Scenery
By: Irani Hussain
Class: IV Sec: Emerald Roll No. 14
School: Heritage Convent




Title: Rose
By: Oinam Merinda Devi
Class: II Sec: D Roll No. 38
School: Standard Robarth Higher Sec. School




Title: Dog and Girl
By: Konthoujam Prity Devi
Class: II Sec: C Roll No. 52
School: Standard Robarth Higher Sec. School




Title: Dragon
By: Hidam Yohenba
Class: IV Sec: Emerald Roll No. 48
School: Heritage Convent



Title: Kangaroo
By: Hidam Silpa
Class: IV Sec: Emerald Roll No. 49
School: Heritage Convent



Title: Muto from Godzilla
By: Sinhenba
Class: IV Sec. Emerald Roll No. 29
School: Heritage Convent



Title: Scenery
By: Sahala
Class: IV Sec: F Roll No. 39
School: Standard Robarth Higher Sec. School